ককচীং অমসুং লাইনিংথৌ খল্লাংবা - ৩

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

ককচীংনা কেরেচীংদা খুন হোংলক্ত্রিঙৈ মমাঙদা করম্বা কাঙলুপ্না খুন্দারম্বগে হায়বসি য়াম্না কুপ্না নৈনবা মথৌ তারে। অখঙ অহৈ, অহল লমনশিংনা থম্বীরম্বা মচাকশিংগী মতুংইন্না হৈরেম খুঞ্জান হায়না খঙনবা অরিবা কাঙলুপ অমনা হান্না খুন্দাদুনা লৈরম্মী হায়বসি ময়েক শেংনা উৎলি। হায়রিবা কাঙলুপ অসি কনানো, মখোয়গী হিষ্টরী, মতৌ করম্না মাঙখিবা অমদি করম্বা কাঙলুপ্তা তিনশিনখিবগে হায়বসি নৈনবনা ককচীংগী হিষ্টরী শাগৎপদা কান্নবা মতেং ওইহল্লি। কাঙলুপ অসি মপাঙ্গল খরা হেন্না কনবা কাঙলুপ্তা তিনশিনখিবনি হায়বসিবদি য়েৎননিংঙাই লৈতে। মণিপুর হিষ্টরীগী খোঙচত্তি অপুনবগী শক্তম শাগৎপগী খোঙচৎনি। খোঙচৎ অদু কায়দনবা হোৎনবদনি, লেপ্নাইদবা লান কয়া শোক্লখিবদো। মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবনা লিংখৎখিবা নিংথৌজা সলাইনা কংলৈদা পাল্লবা মতুংদনি তোঙান তোঙানবা মনীং তম্বা কাঙলুপশিংবু লৈঙাক অমগী মখাদা পুনশিল্লকখিবদু। অসিগুম্বা কাঙলুপ অমগা অতোপ্পা অমগা পুনশিন্নবগী খোঙচত্তা হৈরেম খুঞ্জানসু ককচীং পল্লেন্নচিংবগা পুনশিন্নখিবগী ওইথোকপা য়াবা মচাক খরা ফংই।

নীংশিংবা থোক্ত্রবা য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী হায়রিবা কাঙলুপ অসি লৈরক্লে হায়বসি লইথক লইখারোন্দা ময়েক শেংনা পল্লি। এন বীরচন্দ্রনা ইবা “য়েলহৌঙৈগী মণিপুরগী মমিংশিং” হায়বা লাইরিক অসিদসু অঙনবা মতমদা খুৎকন পাঙ্গন্না পাল্লম্বা কাঙলুপ খরগী মিং শীংথারকপদা হৈরেম খুঞ্জানসু য়াওরি। খোংচোমনুপী নোংকারোন্দা ইরিবগী মতুংইন্না মশাগী তোঙানবা লোল ঙাঙজবা খা মায়কৈদা খুন্দাবা হৈরেম খুঞ্জানগী কোনুং কিরিচীং (কেরেচীং) দা ওইরম্মী। মোইরাং নিংথৌরোল লম্বুবদসু ৱারী অমা য়াওরি মদুদি, চীংখোঙ পোইরৈতোন অমদি মতৈমা লৈনাউতাবীনা অনা অয়েক, অৱা অনং লৈরোইদবা মফম থি থিদুনা লাকপদগী ঈশিং লানবদা থাগী লৈ লাকপদগী লৈমা উনাউতাবীনা অশেংবা ঈশিং অদুনা ঈরুজখিবা মফমদুবু নোংপোক লৌশেংৱাই সেংৱাই ইনমশেং (শেংমাই তুরেল) হায়না খঙনখি। লাইরিক অসিদা পল্লিবগী মতুংইন্না তুরেল অসি হৈরেম কিরিচীং খুঞ্জান লাল্লুমথেন লাম্থোক্লগা লৈ। হৌজিক হৌজিকসু কেরেচীংনা লৈরিবসি শেংমাই তুরেল তোর্ব্বান্দনি। থৌৱানথাবা হিরান অমসুং চায়নরোলদা ইরিবগী মতুংইন্নসু খুমনগা হৈরেম খুঞ্জানগা য়ুল্লোন্নবনি। হায়রিবা য়ুল্লোন্নবা কাঙলুপ অনী অসি মতম অয়াম্বদা ঙমখৈগী মতাংদা মুক্লরম্মী। মণিপুরগী শক্লাইরবা হিষ্টরীয়ান গংমুমৈ কবুইনা মাগী হিষ্টরী ওফ মণিপুরদা থম্বীরম্বগী মতুংইন্না খুমনগী লমখৈ অসি খারোমদা ৱাংজিং তেন্থা য়ৌনা শন্দোক্লম্মী। নোংমাইথেম মনাওয়াইমনা থম্বীরম্বগী মতুং ইন্না হৌজিক হৌজিক ককচীং খুল্লেন অমদি ককচীং ৱাইরি হায়না খঙনবা মফম অসিদা হৈরেম খুঞ্জান হায়না খঙনবা য়াম্না খুৎকন পাঙ্গনবা ইরুম নিংথৌ লাৎপা কাঙলুপ অমনা হৌজিক ককচীং খুনৌ অমসুং উমাথেল হায়না খঙনবা মফমশিং অসিদা মখোয়গী লমখৈ শন্দোক্তুনা খুন্দারম্মী। নাওরেম ইবোতোম্বীগী হৈরেম খুঞ্জানগী মরমদা খরদং হায়বা ৱারেং অসিদা থম্বীরিবগী মতুংইন্না কাঙলুপ অসিগী লমখৈ অসি খুমনগী খা থংবদা, মোইরাংগীনা খা নোংপোক্তা লৈবা লোয়নননা পুল্লেন পাৎ মপান্দা তাবা খুঙ্গংশিং অমসুং থোঙাম ফাওবা শন্দোক্লম্মী। গুরুনা মালেম লৈশেম্নবগীদমক হৈরেম খুঞ্জান্দগী লৈবাক লৌখি হায়বা নুঙদা ইদুনা লৈরম্বা মিথ অসিদা মীৎয়েং থমদুনা মহাক্লা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অমগী মতুংইন্নসু হৈরেম খুঞ্জান্না খুনশেম লৈশেমদুনা ইহান হান্না মফম অসিদা খুন্দাখি। কাঙলুপ অসি অঙনবা মতমদগী লৈরক্লে হায়বগী খুদমসি হৈরেম নিংথৌ লুমচেংহনবগী মতম অসি কংলৈদা মৈদিংঙু উরা কোম্থৌবা (৫৬৮-৬৫৮)না পানবা মতম্নি হায়নসু ফোঙদোকই। ১১ শুবা চহীচাদা মীওইবনা খুন্দারম্মী হায়বগী খুদম চাংদম পীবা য়াবা মীগী শরূ অমসুং চফু ফংই হায়বসু থম্বীরি। ৱাফমশিং অসিনা তাক্লি মদুদি মতম অমদা হৈরেম খুঞ্জান্না খা মায়কৈদা মনীং তম্না হাইনা হুম্না পাল্লম্মী। নিংথৌরোল লম্বুবদা ময়াং ইম্ফালগী হৈরেম খুঙ্গংদা লৈবা লৈতাং সেকুরেক অঙৌবা কৌবা নুপা অমনা নুংবান নাওখোংচাম্বা চামকোনথোং লানখি হায়না শৈথারিবগী মতুং ইন্না হৈরেমগী লমখৈ অসি মতম অমদা ময়াং ইম্ফালগী মফম খরা ফাওবা শন্দোক্লম্বা য়াই। মতৌ অসুম্না অতোপ্পা লাইরিকশিং হায়বদি লম্মীৎলোন, তোরৈরোল লম্বুবা, চীঙ্গোইরোন্নচিংবদসু কাঙলুপ অসিনা খুন্দাবা মফমশিংগী লম্মীৎ তুম্মীৎ মরীক চুম্না শৈথাবা থেংনৈ। নোংমাইচীং চীঙ্গোইবদা হৈরেম নিংথৌ তেলহৈবনা শেল্লোই লাংমাইশিংনা পায়শিল্লম্বা চীং অমা লোই চনবগী ৱাফম য়াওরি।

অসুক য়াম্না খুৎকন পাঙ্গন্না পাল্লম্বা মশাগী শক্তম, লৈঙাক, কলচরনচিংবা লৈজবা অরিবা কাঙলুপ অসিনা লৈখা তারকখিবা অমদি করি ওইখ্রবগে হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা ৱাহং ওইরি। অদুবু চৈথারোল কুম্বাবা, নিংথৌরোল লম্বুবা, তোরৈরোল লম্বুবা, থৌৱানথাবা হিরান, চায়নরোলনচিংবা পুয়া খরদা কাঙলুপ অসিনা মরাই চাইথরকপগা মরী লৈনবা ৱারী ৱাখোঙ খরা থেংনৈ। থৌৱানথাবা হিরান্দা ইরিবা মপূং ওইবা ৱারীদি খুমনগা থংননা লৈবা লাকঙম ফাঙমদ্রবা হৈরেম খুঞ্জানগী মথক্তা মৈতৈ নিংথৌ থৌৱানথাবা অমসুং খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সিবগী মীচঙ চুংশিন্নবা লান্মীশিংনা লান তাশিন্দুনা হৈরেম খুঞ্জানবু মায়থীবা পীখিবা অমদি মতুং তারকপদা মৈতৈনা খুমনবু মায়থীবা পীদুনা নৈখাইখিবগী তাঙ্ককশিংনি। খুমন নিংথৌ পুন্সিবগী মতমদা হৈরেম অথৌবা কাঙবীশুনা চায়নবগী কাঙলোন থুগাইরগা নমথাক তৌদুনা খুমন অথৌবা চাখা মোইরেম্ববু লুরেন কত্তুনা হাৎখিবগীদমক মোইরেম্বগী মনাউনুপা শিখোং নিংথৌবনা হৈরেম খুন মৈ থাদুনা মাঙহন তাকহল্লম্বগী মতাং চায়নরোলদা য়াওরি। চৈথারোল কুম্ববদসু মৈদিংঙু থৌৱাম্থাবগী মতমদা মৈতৈ-খুমন্না হৈরেম খুঞ্জান মায়থীবা পীদুনা খোংঙা খোঙতেকচাবু লানফা ওইনা পুরকখিবগী ৱাফম য়াওরি। অসুম্না হৈরেম খুঞ্জান অসি তরাহুমদোইশুবা চহীচাদা খুমন-মৈতৈনা মায়থীবা পীদ্রিঙৈ মমাঙদদি কনামত্তনা লাকচবা ঙমদনা মনীং মখা তম্না পাল্লম্মী হায়বসি মরী লৈনবা মচাকশিং অসিদগী খঙবা ঙম্মী। হৈরেম খুঞ্জানগী মরমদা চৈথারোল কুম্বাবদা পনবসি থৌদোক অসিনা অহানবনি। হৈরেম্বু নমথবা ঙম্বা লান অসি কংলৈগী হিষ্টরীদা য়াম্না শীংথানিংঙাই ওইবা তাঙ্কক অমা ওইরম্বসু য়াই। খা মায়কৈবু মরু ওইনা হৈরেম খুঞ্জান অমসুং খুমন অনীবু মরাই চায়থহনবগা লোয়নননা মতুং তারকপদা খা মায়কৈ অসি কংলৈ লৈঙাক্কী ফিবান্নুংদা থম্নবগী লম্বী য়াৎখ্রে হায়না লৌবা য়াই। খুমন্না কংলৈদা তিনশিনখিবসি তরামরিশুবা চহীচাদা পানখিবা মৈদিংঙু কোংয়াম্বগী মতমদনি হায়বগী মরী লৈনবা ৱারী ৱাখোঙ গংমুমৈ কবুইগী হিষ্টরী ওফ মণিপুরদা য়াওরি। অদুবু হায়রিবা মতমদুমক্তদা মপাঙ্গল শোন্থরবা হৈরেম খুঞ্জানসু কংলৈ লৈঙাক্কী ফিবান্নুংদা চনখ্রে হায়বগী খুদম চাংদমদি ইফং ফংবা ঙমদে। নাওরেম ইবোতোম্বীগী হৈরেম খুঞ্জানগী মরম খরদং হায়বা ৱারেং অসিদা ইবিরম্বগী মতুংইন্না হৈরেম খুঞ্জান্না মরাই চাইথখিবসি তরামরিশুবা চহীচা অদুৱাইদগীনি। তরামরিশুবা চহীচাদা পানখিবা মৈদিংঙু তেলহৈবনা হৈরেম্বু মায়থীবা পীদুনা খুদুম চনশিনবা ঙম্বগীদমক খুঞ্জানঙম্বা হায়না খঙনখি হায়বসি নিংথৌরোল লম্বুবদা য়াওরি। অদু ওইদুনসু লাকঙম ফাঙমদ্রবা হৈরেম্বু মপাঙ্গল শোন্থহনখিবসি মথক্তা পঞ্জখ্রিবা লান অদুনা ওইরম্বসু য়াই। মতম অদুদগী হৌনা কংলৈ লৈঙাক্লা মখা মায়কৈরোমদা মীৎয়েং থমদুনা লৈঙাক অসিগী মপাল মরা তাননবা হোৎনরকখিব্রা হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহংনি।

শক্লাইরবা হিষ্টরীয়ান গংমুমৈনা থম্বীরম্বা ৱারোলগী মতুংইন্নসু মতম অমদা অদুক্কী মতিক খুৎকন পাঙ্গন্না লৈরম্বা হৈরেম খুঞ্জানগী মথক্তা লান্দানবগীদমক নিংথৌজাগী মতেং লৌদুনা মায়থীবা পীখি অমদি মতুং তারকপা নিংথৌশিংগী হাক্তক্তা নিংথৌজাদা তিনশিনখিবনি। মসিনা কংলৈগী শেন্মীৎলোন, লৈঙাক্লোন অমদি লান্মীগী মপাঙ্গল কনখৎহনবদা অচৌবা মতেং ওইখি। মৈদিংঙু থৌৱানথাবগী মতমদা চত্থখিবা লান অদুনা হৈরেম খুঞ্জানগী মশাগী শক্তম, লৈঙাক্লোনগী মশক মাঙখিবগী মরী লৈনদ্রবসু কাঙলুপ অসিগী মতিক ময়াইদি হন্থখ্রে হায়বসি য়েৎননিংঙাই ওইদ্রে। তরাহুমদোইশুবা চহীচাদগী হৌরদুনা কংলৈনা লাকঙম ফাঙমদ্রবা হৈরেম খুঞ্জানগী মথক্তা মীৎয়েং থম্বা হৌরকখ্রে হায়বসিমদি য়েৎনীংঙাই ওইদ্রে। মরমদি কংলৈ লৈঙাক্কী মখাদা অপুনবা মপাঙ্গল কনবা লৈবাক অমা শেমগৎপগী থবক লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লকখিবদা হৈরেম খুঞ্জানগুম্বা কাঙলুপ অমবু মখা মায়কৈ ঙাক শেলহন্দুনা থম্বা হায়বসি লৈঙাক্লোনগী থৌশিল অমা ওইরম্বসু য়াই। মরম অদুনা খুমনবু লৌশিল্লবা মতুংদা হৈরেম খুঞ্জানসু লৌশিন্দুনা কংলৈ লৈঙাক্কী শরূক অমা ওইখিরম্বগী ওইথোকপসু লৈ। মদুমক ওইদুনসু মশাগী য়েলহৌঙৈগী শক্তম, নাৎ, কলচর, খুন্নাইগী লোনচৎনচিংবগী মতাংদদি কংলৈনা খূৎ থিংজিল্লমদবসু য়াই। অদুবু মখোয়গী লাকঙম ফাঙমদ্রবা থৌওং থৌচৎ, লান পাম্বা মতৌ অদুনা করিগুম্বা মতমদা কংলৈ লৈঙাক্কী অপুনবা শক্তমদা শীংনরক্লম্বসু য়াই। মদু থোক্তনবা কংলৈনা করি থৌরাং লৌখৎখিবা, ককচিং কাঙলুপ্না থৌবালদগী কেরেচীংদা হোংলকখিবগা মরী লৈনব্রা হায়বনচিংবা নৈননিংঙাই ওইবা ৱাফমসু লৈরি। ●

ꯅꯨꯄꯤ ꯂꯥꯜ ꯅꯤꯡꯁꯤꯡ ꯊꯧꯔꯝ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯆꯒꯅꯤ

নুপী লাল নীংশিং থৌরম পাঙথোকচগনি

লাক্লিবা দিসেম্বরগী তাং ১২, শগোলশেল নুমিৎ ২০১৯, অয়ূক্কী পুং ১১দা নুপী লাল নীংশিং থৌরম MMRC & UNITY PARK, KHANGABOK না শিঞ্জ-লাংজদুনা পাঙথোকচগদৌরি। নুমিৎ অসিদা নুপী লালগী মীতমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগা লোয়ননা মৌশিংগী ওইবা লমজেল তান্নবা অমসুং থৌরম কয়াগা লোয়ননা পাঙথোকচগনি। মরম অসিনা ইরমদম অসিগী ইরৈচাশিংনা মতম চানা লেংবীরক্তুনা শরুক য়াবীরনবা পাউজেল পীজরি।

পাউজেঞ্জরিবা : **Organising Committee**
MMRC & UNITY PARK, KHANGABOK

HL-P/5472/10

ꯅꯣꯡꯏꯟ ꯏꯅꯁ꯭ꯇꯤꯇ꯭ꯌꯨꯠ ꯑꯣꯐ ꯇꯤꯎꯇꯣꯔꯤꯌꯦꯜꯁ

NIT NONGIN INSTITUTE OF TUTORIALS
HOPE FOR FUTURE
Under the Raja Dumbra Singh , Educational Complex
Purana Rajbari (Konung Mamang), Imphal East, Manipur

ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE

CLASS X (BOSEM)
CLASS STARTING - 9th DEC, 2019
TIME : 01:00 p.m. TO 05:00 p.m.

CLASS XII SC. (COHSEM)
CLASS STARTING - 2nd DEC, 2019
TIME : 04:30 p.m. TO 07:30 p.m.

SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR

CLASS IX & X (BOSEM)
CLASS STARTING - 23rd DEC, 2019
TIME : 04:30 p.m. TO 07:30 p.m.

CLASS VI TO VIII (BOSEM)
CLASS STARTING - 3rd FEB, 2020
TIME : 04:30 p.m. TO 07:30 p.m.

* Day Boarding Facilities.
* Class test will be conducted on alternative days.
* Carrier Counselling for future study.
* Self study hour under the guidance of expert daily.
* Study Material will be provided.
* Transport & Hostel facility will be available.

RDS High School Konung Mamang (Purana Rajbari) Contact No. - 8014221074 / 7005787091

HL-P/5262/10 nov. to 9dec.

APOLLO ACADEMY ꯑꯦꯄꯣꯂꯣ ꯑꯦꯀꯥꯗꯦꯃꯤ
Moulding Medical & Engineering Career
Admission Open For
INTENSIVE REVISION COURSE
NEET (UG) - 2020

LAST DATE OF FORM SUBMISSION
09TH JANUARY, 2020

CLASS STARTS
10TH JANUARY,2020

DURATION :- 3 and Half MONTHS
◆ MOCK TEST ON EVERY SUNDAY

HL-B/5859/4-30/01

FOR DETAILS Plz. Contact APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office.

ꯑꯗꯃꯤꯁꯟ **ADMISSION OPEN** ꯑꯣꯄꯦꯟ

ENGLISH & RHYMES COURSES
CLASS X ENGLISH (BOSEM) EXAM ORIENTED COURSE
- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764

HL-B/4529/25oct.to23nov.

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৯

১। বৃটিশনা মণিপুরবু ১৮৯১গী এপ্রিল ২৭তা লৌশিনখিবদগী ‘নেটিব রুল’ শেমদুনা মখোয়না হাপ্পা নিংথৌ অমনা লৈঙাকখ্রে। অহানবা অদুগুম্বা নিংথৌদু চুড়াচান্দ মহারাজনা ওইখি। মহাক নরসিংহ মহারাজগী শুরোলনি।
(ক) মহারাজ চুড়াচান্দগী অপোকপগী মমিং হায়য়ু।
(খ) মহারাজ চুড়াচান্দবু লাইরিক তমহল্লুবা আজমেরগী কোলেজ অদুগী মমিং হায়য়ু।

২। “য়ূদে শৌনা তাঙজা লিলহা/থিংদে পলনা মলয়া নুংশিৎ/থুক্তে শৌদা, য়েংদে পলদা নুংশিবগী নুংশিৎ।” ফজখ্রবা কবি অমগী পাউরৌ ওইরবা, খোন্থানি। কবিদু কনানো?

৩। “অহীং অসে... ওইরক্কনি শোয়দনা নোংঙানবা/পুরক্কনি মানা/খোয়থুম্নরবা লৈহীসু/থক্কনি ঐনা পেন্না/অৱাবদি/মাগী লৈহী ঙাইবদা/থক্লি ঐনা হূগী হূ ঙাক্তা।” পরেংশিং অসিসু কবি যোদ্ধচন্দ্রগী ফজখ্রবা ৱাহৈশিংনি, চুমখ্রবা। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। “লাইদি লাইনি/... মী ওইখিনু লাই নঙ/মী ওনখিনু লাই নঙ।” পরেং অহুম অসিসু “মী ওনখিনু লাই নঙ” কৌবা শৈরেংদুদগী লৌথোকপা ফজখ্রবা ৱাহৈশিংনি। অইবীদু কনানো?

৫। “উমরাউজানগী ৱারী খঙদবা কনাসু লৈরম্লরোই। ফিল্ম ওইনা কয়ারক উনখ্রবনি। অদুবু ফিল্মশিং অদুমক্তি মির্জা মুহম্মদ হাদী রুসৱাগী উর্দু নোবেল অদুদগী শেম্লকপা ঙাক্তনি। অদুদি নোবেল অদুবু মণিপুরীদা হন্দোকখিবা হন্দোক্লোই অদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

ANGELS' COACHING CENTRE ꯑꯦꯟꯖꯦꯜꯁ
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
MATRIC TOPPERS OF 2019

ADMISSION OPEN CLASS X REVISION Starts on 12th December 2019 11 am to 4 pm
FOUNDATION COURSE Class 3 to10 Starts on 19th Dec., 19 4:30 pm to 7:30 pm

1st Position Bhumika Sh. Pitambara E/S
4th Position Minerva H. Brilliant P/S, Samurou
7th Position W. Ningthem Tiny Tots
8th Position Nongpoknganba L. St. Joseph
11th Position H. Rijando Memorial Model Academy Yairipok
12th Position M. Nerich Tiny Tots
13th Position Shubhalakshmi Th. Nirmalabas
14th Position K. Koklen Tiny Tots
14th Position Donita K. Nirmalabas
15th Position P. Roshni Donbosco Langjing
15th Position Bidya Raj Kh. St. Joseph
16th Position H. Rohen Little Master, Samurou
17th Position Th. Manglemba Modern Hr.Sec. Bishnupur
17th Position Jessica W. Nirmalabas
19th Position H. Aman Modern Hr.Sec. Bishnupur
29th Position Sinngam Kh. Catholic Canchipur
20th Position Celina Laishram Heritage Convent
21st Position N. Roshila Tiny Tots
24th Position Lamjingba Y. St. Joseph
24th Position Suchitra Kh. Nirmalabas

WINTER VACATION SPECIAL CAMP
Starts on 19 December 2019
CLASS I TO VII CLASS I TO VII
Subjects : English - Maths - Meitei Mayek - Hindi & Spoken English
Timing : 6:30 am to 10:00 am
Tutors Teachers of Nirmalabas H/S, St. Joseph, Little Flower, Don Bosco, Christ Jyoti, Heritage Convent, Text Book writers & Former Head Examiners

7th MEGA MOCK TEST

Date	Sub.
13/01/20	English
15/01/20	S. Science
18/01/20	Maths
20/01/20	Science
22/01/20	Adl. Sub.
24/01/20	MIL

Last date of Form Submission 31/12/2019

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS
PLEASE CONTACT : 7628946313 - 9402897710 - 8732022342 VAN AVAILABLE

HL-P/5855/4/12-4/01

মরোল থোকপা লাই